# নোর্থ কোরিয়াগা দিন্যুক্লিয়রাইজেসনগী ৱারী মখা চত্থবা য়ানবা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূননা ট্রম্পকা উনরগনি



সিওল, মার্চ ২৯(এজেন্সি): লেপ্তুনা লৈরিবা দিন্যুক্লিয়রাই-জেসনগী ৱারী নোর্থ কোরিয়াগা মখা চত্থবা য়ানবা অমসুং য়ু এস অমদি সাউথ কোরিয়াগী এলাইএন্সকী অশোয়বা কয়া চুমথোক্ন বগীদমক্তা প্রসিদেন্ট মূন জে-ইন য়াওনা সাউথ কোরিয়াগী সিনিয়র ওফিসলশিংনা য়ু এসগী লেংমান্নবশিংগা মীফম কয়া পরিং নাইনা পাঙথোক্লগনি।

সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূননা লাক্লিবা এপ্রিল ১১ দা ৱাশিংটনদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা উনদুনা নোর্থ কোরিয়া অমসুং লৈবাক অনীগী এলাইএন্সকা মরী লৈনবা অতৈ ইশ্যু কয়া খন্নরগনি হায়না হ্বাইট হাউসনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং রিপব্লিক ওফ কোরিয়াগী মরক্তা লৈনরিবা এলাইএন্স অসি কোরিয়ন পেনিন্সুলা অমসুং লমদম অদুগী পিছ অমসুং সিক্যুরিটিগা তৎন-থানদনা মরী লৈনরি হায়না হ্বাইট হাউসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

পোংয়াংনা কদায় ফাওবগী চাংদা ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম থাদোক্নবা শেম শারবগে অমসুং কদায় ফাওবগী চাংদা য়ু এসনা অথিংবশিং কোমথোক্নবা শেম শারবগে হায়বগী মতাংদা য়ান্নদবা কয়া লৈবদগী হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা ভিয়েটনামগী কেপিটেল হানোইদা ট্রম্প অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উনগী মরক্তা পাঙথোকখিবা অনীশুবা সম্মিট অদু লৈখায় তানবা ঙমদনা লোইশিনখি।

কিমনা মহাক্কী ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং থাদোক্লিংলবনি হায়না মূননা মতম কয়াগী মমাঙদগী চেৎনা থাজদুনা লাকখিবদু, সম্মিট অদুদা ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিমগা য়ানবা দিল অমা পুরকপা ঙমখিদবদুদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূনগী অনিংবা অপাম্বদুদা চাওনা চৈথেং পীখি।

সাউথ কোরিয়াদা য়ু এসকী ক্রুপশিং থম্বদা চংলিবা চাদিংগী মতাংদসু ৱাশিংটন অমসুং সিওলগী মরক্তা লৈখায় তানদবগী ফিভম অমসু লৈরিবনি। সাউথ কোরিয়াদা লৈরিবা য়ু এসকী ক্রুপ ২৮,৫০০ গী মেন্টেনেন্সকা মরী লৈননা হান্নদগী হেন্না চাদিং তৌনবা ট্রম্পনা দিমান্দ তৌরিবনি।

হৌখিবা জুনদা ট্রম্পকা চত্থখিবা অহানবা সম্মিটতা কিমনা থুপচিল্লগনি হায়না থাজবা পীখিবা নোর্থ কোরিয়াগী অৱাং-নোংচুপ থংবা টাউন তোংচাং-রিদা লৈবা লৈবাক অসিগী সোহে মিসাইল লোঞ্চ সাইট অমুক হন্না শেমগৎ-শাগৎলক্তুনা থবক মপুং ফানা লোইশিনবা য়াবগী ফিভম নকশিল্লক্লে হায়না সাউথ কোরিয়াগী লোমেকরশিংনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

সিওলগী ইন্টেলিজেন্স এজেন্সিনা ব্রীফ তৌখ্রবা লোমেকরশিংদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মেগাৱাট ৫ গী রিয়েক্টর অমা হৌখিবা চহীগী অথেংবা শরক্তগী মথৌ তৌবা লেপ্পল্লকবসু নোর্থকী রোংবিওনদা লৈবা মরু ওইবা ন্যুক্লিয়র কমপ্লেক্স অদুগী য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্ট ফেসিলিটি অমা হৌজিকসু মহৌশাগুম্না ওপরেট তৌরি।

ট্রম্প অমসুং মূনগী সম্মিট অদুগী মাওইননা সাউথ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী ফোরেন অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টরশিং লোয়ননা অতৈ সিনিয়র ওফিসল কয়া য়ু এসকী লেংমান্নবশিংগা মীফম মথং মথং পাঙথোক্নবা ৱাশিংটনদা থারগনি।

সাউথ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর কাং ক্যুং-হ্বানা ইরাই নুমিত্তা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওগা উনদুনা মাই পাকখিদ্রবা ট্রম্প-কিমগী সম্মিট অদুগী মতুংদা ন্যুক্লিয়রাইজেসনগী ৱারী খুমাং চাওশিন্নবগী লম্বী পুথোক্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা দিফেন্স মিনিষ্টর জিং ক্যোং-মূনা য়ু এসকী এক্তিং সেক্রেটরি ওফ দিফেন্স পেত্রিক শানহানগা উনরগনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগা মরী লৈননা লৌখৎলিবা খোঙথাং কয়াদা প্রোসেস লৈবা ৱাৎপা হায়বসি মূনগী ওইনদি লৈবাক্কী ওইবা প্রোব্লেম অমা ওইরক্লে। প্যোংয়াংগা মরী ফগৎহনবা হায়বসি মহাক্কী অচৌবা পোলিটিকেল পান্দম অমনি। হানোইগী সম্মিট মাই পাকখিদবদুনা মরম ওইদুনা খোঙজেল য়াংনা ফগৎলক্লিবা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরীদা চৈথেং চাওনা পীখি।

# ‘রসিয়াদগী এস-৪০০ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম লৈবগী দিলদা অহোংবা লৈরোই’



ইস্তানবুল, মার্চ ২৯(এজেন্সি): টর্কিনা রসিয়াগা য়ানখিবা এয়র দিফেন্স দিল ইকাই খুম্নগনি হায়না অঙ্করানা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। করিগুম্বা টর্কিনা য়ু এস য়ানিংদ্রিবা রসিয়াগী এস-৪০০ হায়বা মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অসিবু লৈনবা ৱারেপ লৌরক্লবদি এফ-৩৫ ফাইটর জেটশিং পীননবা হান্না থৌরাং তৌখিবদু থীংজিন্নবগী পান্দমদা য়ু এসকী সিনেটর মরিনা বিল অমা পুথোকখিবা মতুংদা অঙ্করোনা ৱাফম অসি লাওথোকখিবনি।

নিগোসিএন কয়া চত্থরকখিবা মতুংদা হীরম অমগী মতাংদা ঐখোয়না রসিয়াগা য়ানবা পুরক্লে অমসুং এগ্রীমেন্ট অমা সাইন তৌনরে। মসি ভেলিদ এগ্রীমেন্টনি। সিষ্টেম অদুগী দেলিভরিগী মতমগী মতাংদা ঐখোয়না হৌজিক খন্ন-নৈরিবনি হায়না টর্কিগী ফোরন মিনিষ্টর মেভলুত কাঙুসোগলুনা রসিয়াগী মহাক্কী লেংমান্নবগা ফম্বা মীফম অমদা পাঙথোক্লবা মতুংদা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না, এগ্রীমেন্ট অদু মরম চানা অমসুং হৌনবী মতুং ইন্না য়ান্নরবা দিল অমনি।

অঙ্করানা রসিয়াগী এস-৪০০ মিসাইল সিষ্টেম লৌররোই হায়না য়ু এস লৈঙাক্না সাতিফাই তৌদ্রিফাওবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী মায়কৈদগী টর্কিদা এফ-৩৫ জেটশিং পীবদা অথিংবা থম্বা পার্টি অনীমক্কী অয়াবা চঙগদবা বিল অমা য়ু এসকী সিনেটরশিংদুনা শগোলশেল নুমিত্তা পুথোকখিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়কৈদগী টর্কিদা তায়োন্নবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্তুনা লাক্লি হায়না পনবগা লোয়ননা কাঙুসোগলুনা হায়, লোকহীদ মার্টিন কোর্পনা শাবা এফ-৩৫ জেটশিংদু লৌবগা মরী লৈনবা কন্দিসন খুদিংমক অঙ্করোগী মায়কৈদগী থুংহনখ্রে।

ট্রিলিয়ন দোলর এফ-৩৫ ফাইটর জেট প্রোগ্রামদা টর্কিসু প্রদক্সন পার্টনর ওইরিবনি। তৌইগুম্বসুং নাটোগী মীচং অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা এয়রক্রাফট অদুগী সিক্যুরিটিদা অকায়বা পীরকপা য়াবা রসিয়ন সিষ্টেমশিং টর্কিনা লৈনবা হোৎনরকপদা কন্না অথিংবা পীরিবনি।

টর্কিনা এস-৪০০ শিং অতোপ্পা লৈবাক্তা য়োনগে খনবসু লৈতে হায়না কাভুসোগলুনা মখা তাখি।

# বেক্সিট দিলগী মচংদমক য়াওবা ভর্জন অমা প্রাইম মিনিষ্টর মেনা পার্লিয়ামেন্টতা ভোট লৌনহল্লগনি



লন্দন, মার্চ ২৯(এজেন্সি): য়ুনাইদেট কিংদমনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপকী মতাংদা অপনবা ওইহল্লিবা চয়েৎনবশিং কোকহন্নবা হোৎনরদুনা প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেনা ইরাই নুমিত্তা মহাক্কী ব্রেক্সিট দিলগী মরু ওইবা ৱাফমশিংদমক য়াওবা ভর্জন অমা পুথোক্লগনি।

হান্না লেপ্পখিবগী মতুং ইন্না বৃটেন্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থদোকফম থোকপা নুমিত্তা লোমেকরশিংবু ভোট লৌনহগদৌরিবদুনা চহী অহুম শুজিল্লক্লবা ব্রেক্সিটকী ক্রাইসিস কদায় ফাওবা লুনা লৈরবগে হায়বদু উৎলি হায়রি। ক্রাইসিস অদুনা লৈবাক অসি করম্না অমসুং করম্বা মতমদা ঈ য়ু থাদোক্কদগে নৎত্রগা লৈবাক অসি তশেংনা ব্লোক অদুদগী তোক্কদৌরিবা হায়বগী মতাংদা লৈখায় তাহন্দনা লৈরি।

স্পেসল সিষ্টিং অমদা লোমেকরাংনা মেগী লমায় ৫৮৫ পানবা ঈ য়ু ৱিথদ্রোৱল এগ্রীমেন্টতা ভোট লৌনগনি, তৌইগুম্বসুং মখোয়না মেনা মতম অমত্তদা য়ানবা পুরকখিবা লমায় ২৬ পানবা ঈ য়ু অমসুং বৃটেনগী মরক্তা ব্রেক্সিট মতুংদা লৈনগদবা মরীগী ওইনা পোলিটিকেল দিক্লারেসন অদুদি ভোট লৌনরোই। অসিগুম্বা ফিভম অসিনা লোমেকরশিংদা চমম্নবা পোকহনখি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর মেনা পার্লিয়ামেন্টতা অনীরক হন্না মায়থিবা নংখ্রবা মহাক্কী এগজিট দিল কন্নবা হোৎনরিঙৈদা ব্রেক্সিট থীন্তহনবা পামদবা মীওই লিশিং কয়ানা ‘ব্রেক্সিট বিত্রেল’গী খোঙচৎ অমগা লোয়ননা সেন্ট্রেল লন্দনদা প্রোটেষ্ট তৌগনি হায়রি। মশক নাইবা ব্রেক্সিট কেম্পেনর নিজেল ফারাজিনা লুচিংদুনা চত্থগদৌরিবা প্রোটেষ্টকী খোঙচৎ অদু পার্লিয়ামেন্টকী মপানদা লোইশিনগদবনি।

চরাংনবা ময়ামদুগী চৈরক্তা মেনা ব্রেক্সিটকী মতম হান্না থৌরাং তৌখিবা মার্চ ২৯ দগী এপ্রিল ১২ ফাওবা চোন্থবগী ৱাফম ঈ য়ুগা য়ান্নবা পুরকখ্রে। করিগুম্বা মেনা মহাক্কী দিভোর্স পেকেজ অদু চয়োল অসিদা লোমেকরশিংবু রেতিফাইদ তৌহনবা ঙম্নবদি মখা তানা মে ২২ ফাওবা শাংদোকপসু য়াগনি হায়না ঈ য়ুগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে। মসি ব্রেক্সিকী মতাংদা ভোট লৌনবগী অরোইবা খুদোংচাবনি হায়না ব্রেক্সিট শৌগৎপা মেগী ত্রেদ মিনিষ্টর লিয়াম ফোক্সনা ফোঙদোকখি।

মেনা করিগুম্বা মহাক্কী দিল অদু পাস তৌরবদি মহাক মফম থাদোক্কে হায়নফাওবা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লোমেকরশিংদা চেৎনা খঙহনখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী ওফর অদুনসু মহাক্কী পার্টিদা লৈরিবা ব্রেক্সিট শৌগৎপা কয়াদা থাজবা পোকহনবা ঙমখিদে। মখোয়না চীংনরিবদি মেগী দিলগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ কিংদমনা ঈ য়ু থাদোকপা তারবসু লৈবাক অসি মতুংদসু ব্লোক অদুগা মখা তানা কা হেন্না নকশিন্নবগী ফিভম লৈহনগনি হায়বসিনি।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংদা য়ুনাইটেদ কিংদমগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পোলিটিকেল অমসুং ইকনোমিক খোঙথাং ওইরিবা ব্রেক্সিটকী মতাংদা লৈখায় তাদবগী ফিভম অমা লৈরিবদুনা লৈবাক অসিগী এলাইয়স অমসুং ইনভেষ্টরশিংবু নীংবা কায়হনখি।

# ইথিওপিয়ন এয়রলাইন্সকী প্লেন কাইদ্রিঙৈদা এন্টি-ষ্টোল সিষ্টেম এক্তিভেট তৌখি হায়বা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা থাজরি



ৱাশিংটন, মার্চ ২৯(এজেন্সি): মীওই ১৫৭ শিহনখিবা ইথিওপিয়াদা থোকখিবা বোইং ৭৩৭ এম এ এক্স কায়বগী থৌদোক অদুগী মরমদা থীজিল্লিবশিংনা মখোয়গী অহানবা ৱারোইশিনদা প্লেন অদুনা লৈমায়দা য়ৈশিন্দুনা কাইদ্রিঙৈগী মমাঙদা এন্টি-ষ্টোল সিষ্টেম অমা এক্তিভেট তৌখি হায়না ৱাল ষ্ট্রীট জর্নেলনা ইরাই নুমিত্তা হীরম অদুগী মতাংদা নোলেজ লৈবা মীওইশিং পল্লদুনা ফোঙদোকখ্রে।

ইথিওপিয়ন এয়রলাইন্স ফ্লাইট ৩০২ দা য়াওবা ‘ব্লেক বোক্সশিং’ অদুগী দেটা য়ু এস সেফতি ইনভেষ্টিগেটরশিংনা রিভ্যু তৌখ্র হায়না ইনভেষ্টিগেসন অদুগী মরমদা ব্রীফ তৌখ্রবা মীওই ৪ না শাগোলশেল নুমিত্তা ন্যুজ এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখি। য়াম্না ঙন্না মথং চয়োল ফাওবগী মনুংদা প্রিলিমিনরি রিপোর্ট অমা লাক্লগনি হায়না থাজনরি হায়না য়ু এসকী ওফিসলশিংদুনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, প্লেন অদু থা অসগী ১০দা ইথিওপিয়াগী কেপিটেল অদ্দিস অবাবাদগী পাইখৎখিবা মতুং মতম ইশাং শাংনা কান্নদবীদা কাইখিবনি। হৌখিবা ওক্তোবরদা ইন্দোনেসিয়াদা থোকখিবা শাথিরবা বোইং ৭৩৭ এম এ এক্স ক্রাস অদুগী ইনভেষ্টিগেটরশিংনসু এম সী এ এস হায়না খঙনবা অনৌবা এন্টি-ষ্টোল সিষ্টেম অসিদা মীৎয়েং থমখ্রে। য়ু এসকী প্লেন-মেকর বোইং কম্পেনিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, খুদোংথিবা কয়াগী হৌরকফমনি হায়না থাজনরিবা সিষ্টেম অদু ওপরেসন সোফটৱেয়র ফিক্স থৌরাং অমনা অমুক হন্না থোহনদবা ঙম্লগনি।

দোল্লর বিলিয়ন ৫০০ হেনবগী ওর্দরশিং লৈবগা লোয়ননা বোইংগী খ্বাইদগী থুনা য়োল্লিবা ৭৩৭ এম এ এক্স জেট অসি ইথিওপিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়াদা মতম শাংনা কান্নদনা মথং মথং থোকখিবা ক্রাস অনীদুনা মরম ওইদুনা ফেদরেল এভিয়েসন এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ এ এ) অমসুং অতৈ রেগ্যুলেটরশিংনা মালেমগী ওইনা শীজিন্নবা লেপহনখ্রবনি।

বোইং কম্পেনিনা হায়রি মদুদি মালেম পুম্বগী ওইবা সার্ভিসতা শীজিন্নবদা অথিংবা থল্লিবদু লৌথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ৭৩৭ এম এ এক্সকী পাইলোটশিংগী ওইবা ট্রেনিং পেকেজ অমা কম্পেনি অসিনা পুথোক্লে। অসিগুম্বা ট্রেনিং পেকেজ অসি শাথিরবা ক্রাস অনীদু থোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদসু লৈখ্রবনি। কম্পেনিগী অনৌবা ট্রেনিং পেকেজ অদুগী মতুং ইন্না, এয়রক্রাফট অদু খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মওংদা ওপরেট তৌবা য়ানবা পাইলোটশিংদা ফ্লাইদ সিম্যুলেটরশিংগী মতাংদা মতম লৌহল্লরোই।

ইথিওপিয়ন এয়রলাইন্সকী প্লেন কাইখিবদুদা শিখিবা জেক্সন মুসোনি কৌবা রুৱান্দাগী সিটিজন অমগী ইমুংনা শগোলশেল নুমিত্তা চিকাগোগী ফেদরেল কোর্ট অমদা বোইং কম্পেনিগী মায়োক্তা লোসুট অমা ফাইল তৌখিবনি। লোসুট অদুনা বোইংবু মরাল শীরদুনা কম্পেনি অসিনা ওতোমেটেদ ফ্লাইট কন্ট্রোল সিষ্টেম দিজাইন তৌবদা অশোইবা য়াওখি হায়না মরাল শিখি।

# লৈঙাক্কী পৱার কোন্দুনা লৈরিবা বৌটেফ্লিকাবু মফম থাদোকহন্নবা প্রোটেষ্টেশিং অলজিয়র্সতা পুনখ্রে



অলজিয়র্স, মার্চ ২৯(এজেন্সি): অলজিরিয়াগী মতিক ময়াই লৈরবা মিলিটরিনা প্রসিদেন্ট অব্দুল অজিজ বৌটেফ্লিকাবু মফম লৌথোক্নবা আপিল তৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মতুং ইরাই নুমিত্তা প্রোটেষ্টর লিশিং কয়ানা কেপিটেল অলজিয়র্সকী ময়াই থংবা শরুক্তা পুন্দুনা বৌটেফ্লিকাবু মফম থাদোকহন্নবা অহেনবা প্রেসর পীখ্রে।

লৈবাক অদুগী অর্মি চীফ ওফ ষ্টাফ লেফটনেন্ট জেনরেল অহম্মদ গাইদ সালাহনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কন্সটিট্যুসনেল কাওন্সিলদা মশাগী চহী ৮২ শুরবা মশা নাদুনা লৈরিবা প্রসিদেন্ট অদু মখা তানা ওফিস পায়বা য়াগদবা ফিভমদা ফিট ওইরি নৎত্রগা ওইদে হায়বদু লেপ্পবা খঙহনখিবনি।

চহী ২০ চুপ্পা লৈঙাক্লকপদা খ্বাইদগী চাওবা অরুবা ফিভম অমা মায়োক্ন রক্লবা বৌটেফ্লিকানা লৈবাক অদুদা মঙাশুবা টর্ম অমগসু পায়নবা মহাক্না লৌখিবা ৱারেপ হন্দোকউ য়াখিদবগা লোয়ননা অলজি-রিয়নশিংগী অশাওবা থেম্বা য়াখিদবনি। মশাগী চহী ২৫ শুরবা মোহম্মদ দজেমাই কৌবা মহৈরোয় প্রোটেষ্টর অমনা লৈবাক অদুদা রুলিং এলিটকী সিষ্টেম মখা তানা লৈরিবমখৈ ষ্ট্রীট প্রেসর লেপখিরোই হায়না ফোঙদোকখি।

অলজিরিয়াগী প্রোটেষ্টরশিংদুগী দিমান্দশিং তরাই তরাইবশিং ওইদ্রি। মখোয়না লৈবাক অদুগী হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেল সিষ্টেম অপুম্বা মাঙহন্দুনা থাওগী মপান তাংনা লৈরিবা লৈবাক অদুবু মতমগা চাননা চাওখৎহনবা ঙমগদবা অমসুং হেন্না ফবা পুন্সি মহিংগীদমক খৌরাংনা ঙাইনরিবা মীয়ামদা থাজবা পীগদবা অনৌবা মীরোলগী লুচিংবশিংনা মহুৎ শিন্দোকপা পাম্লি।

# ফিলিপিন্সকী ন্যুজ সাইট চীফ অমসুং দ্যুটর্তেগী ক্রিতিক ইনৌ নৌনা ফারবা মতুংদা বেলদা থাদোকখ্রে



মনিলা, মার্চ ২৯(এজেন্সি): প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্তেবু চৈ-থাংবা রিপোর্ট কয়া ফোঙবগীদমক্তা খঙনরবা ফিলিপিন ন্যুজ ৱেবসাইট অমগী মকোক ইরাই নুমিত্তা মনিলা এয়রপোর্টতগী অমুক হন্না ফাগৎখিবা মতুং পুং খরগী মনুংদা বেলদা থাদোকখ্রে।

জর্নেলিষ্টশিংবু তুমিন্না লৈহন্নবা কিহনবা অমদি হরাসমেন্ট পীবা য়ারোই। অদুগুম্বা থৌওং ঐখোয়না খোঙফম চেৎনা লেপতুনা থেংনগনি হায়না ন্যুজ প্লেটফোর্ম রাপলরগী এৱার্দ কয়া ফংখ্রবা হেদ মরিয়া রেসানা পেসো ৯০,০০০ (দোলর ১,৭০৭)গী বেল পীরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি।

ন্যুজ প্লেটফোর্ম রাপলরগী মায়োক্তা লৌসুট কয়া লৌখৎখিববু সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী দেম্মক্রেটিক লৈবাক অদুদা মিদিয়াগী মনিংতম্বদা অয়েৎ-অপন পীরে হায়না মালেম পুম্বনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লখিবনি।

রাপলর অমসুং মসিগী ওফিসলশিংনা হৌজিক কেস ১১ মায়োক্লুরি হায়না তরেৎলক শুবা ওইনা বেল পোষ্ট তৌখিবা রেসানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা থাদা টেলিভিজনদা লাইভ ওইনা শন্দোকখিবা মীংচৎ থীহনবগী কেস অমগী মতাংদা রেসাগী মায়োক্তা এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা থোকখিবগা লোয়ননা মহাক অহিং অমা ফাজিল্লগা থাদোকখিবনি। মহাক ইরাই নুমিত্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতগী থুংলরবা মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা অমুক হন্না ফাজিনখিবনি।

অসিগুম্বা মওংদা ঐখোয়গী লৈবাক্ত জর্নেলিষ্টশিংবু ওক্লিবসি অৱাবগী মশক্লি হায়না রেসানা ফোঙদোকখি। ফিলিপিন্সকী জর্নেলিষ্ট রেসা এপ্রিল ১০ দা রিজনেল কোর্ট অমদসু ক্রিমিনেল চার্জ খরগী পাউখুম পীহন-গদৌরিবনি। মহাক্না মপানদা লৈরিঙৈ য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ষ্টেট প্রোসিক্যুটরশিংনা মহাক অমসুং রাপলরগী অতৈ এগজিক্যুটিভশিংগী মায়োক্তা খ্বাইদগী নৌবা চার্জশিং অদু ফাইল তৌখিবনি।

ফিলিপিন নেসনল পুলিসকী চীফ ওস্কার অলবায়াল্ডেনা ফোঙদোক-খিবদা ওফিসরশিংনা কোর্টকী ওর্দর অমগী মতুং ইন্না থবক তৌরি।

ফিলিপিন্সকী কন্সটিট্যুসননা মিদিয়াবু মপানগী মীওইশিং নৎত্রগা ফার্মশিংনা পায়বদা অথিংবা থম্মী। তৌইগুম্বসুং রাপলরগী মায়কৈদগীদি মখোয়গী ফিলিপিন দিপোজিটরি রিসিটসতা ইনভেষ্ট তৌখিবা ফোরেনরশিংদুনা মখেয়গী ওপরেসনশিংদা খুৎ থিংজিনবা লৈতে হায়রি। মিদিয়া ৱাটচদোগশিংনা হায়রি মদুদি রেসাগী মায়োক্তা শিরিবা মরালশিং অদু শেমজিন শাজিনবা ঙাক্তনি অমসুং দ্যুটর্তেগী লৈঙাক্তা শিংনরিবশিং মরু ওইনা লোনা য়াদবা দ্রগশিংগী মায়োক্তা মহাক্না চত্থরক্লিবা শাথিরবা কেম্পেনবু য়ানিংদবশিংবু কীহন্নবগী পান্দমদা অসিগুম্বা মরালশিং শিরিবনি।

# থাইলেন্দগী প্রো-অর্মি পার্টিনা লৈঙাক শেম্ববুদি লৈবাক্তুগী অনৌবা নিংথৌগী লুহুপ উপ্পগী থৌরমনা হেন্না লুনা লৌরি

বেঙ্কোক, মার্চ ২৯(এজেন্সি): থাইলেন্দদা মথংগী লৈঙাক শেম্নবা ৱারী শানবগী থবকশিং লাক্লিবা মেদা নিংথৌ মহা ভাজিরা-লোংকোর্নবু হৌনবী মতুং ইন্না লুহুপ উপ্পগী থৌরম পাঙথোক্ত্রিফাওবদি য়াখিরোই হায়না রুলিং মিলিটরি জন্তাগা মরী লৈনবা পার্টি অমনা ফোঙদোকখ্রে। নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মীখলগী রিজল্টশিং অরোইবা ওইনা লাউথোক্কদবা ৱাংলিঙৈদা পার্টি অদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

চহী মঙাগী মমাঙদা মিলিটরিনা কূ অমা পাঙথোকখিবা মতুংদা থাইলেন্দদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা মীখল অদু চয়েৎনবা মওংদা ভোট মশিং থীবা অমসুং ভোট লৈবনচিংবা অরানবা কয়া তৌখিবা লৈ হায়বা চার্জশিংনা মশক থীহনখি হায়না লৌনরি।

মীখল অদুগা মরী লৈননা চমম্নবা হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা আর্মিগা য়ানবা পালাং প্রচারত অমসুং ওপোজিসন এলাইএন্স অনীমক্না লৈবাক অদুগী মীয়ামগী ভোট মশিং খ্বাইদগী হেন্না ফংবা ঙম্লে হায়না ক্লেম তৌনখি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোক-খিবা ভোট অদুগী ওফিসল রিজল্টশিং লাক্লিবা মে ৯গী মমাঙ ফাওবদি লাউথোক্লোই হায়না লৈবাক অদুগী ইলেক্সন কম্মিসননা ফোঙদোকখ্রবনি। মীখলগী ওফিসল রিজল্টশিং লাওথোক্লবা পীরিবা মতম অসি নিংথৌ ভাজিরালোং-কোর্নতুনা লৈবাক অদুগী নিংথৌগী লুহুপ উপ্পগী থৌরম পাঙথোক্লবা মতুং নুমিৎ খরনি শাংথহনবগী ফিভমনি। অনৌবা নিংথৌগী মীয়াম্না ইকাই খুম্নরিবা অপোকপা নিংথৌ ভুমিবোল অদুলয়াদেজনা কুমজা ২০১৬ তা লৈখিদবদগী মীয়াম্না মতম শাংনা অৱাবা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবা মতুং মে ৬ কী মনুংদা লুহুপ উপ্পগা মরী লৈনবা থৌরমশিং পাঙথোক্লবা লেপখ্রবনি।

# ইলিগেল্লি পৱার পায়নবা হোৎনখি : দোনাল্ড ট্রম্প

গ্রান্দ রেপিদস, মার্চ ২৯(এজেন্সি): রসিয়াগা লৌতুনবা লৈখি হায়বা ৱাফমগী মতাংদা থীজিনবা লোইরবা মতুংদা পাঙথোকপা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী শগোলশেল নুমিত্তা পাঙথোকখিবা অহানবা পোলি-টিকেল রেলিদা মহাক্না ইনভেষ্টিগেসন অদুবু শৌগৎপা কাঙবুশিংবু কুমজা ২০১৬ কী মীখলগী রিজল্টশিং চৎনহন্দনবা অমসুং লোনা য়াদবা মওংদা পৱার ক্লেম তৌনবা হোৎনখি হায়না মরাল শিখ্রে।

অদুগুম্বা মওংগী থীজিন-হুমজিনবগী খোঙথাং অদুনা লৈবাক পুম্বগী থম্মোয় শোকহল্লে হায়না ফোঙদোকপগা লোইননা ট্রম্পনা মহাক্কী ওপোনেন্টশিংবু মায়থিরব-শিংনি হায়খি অমসুং ইনভেষ্টিগেসন লোইশিনখিবদা মহাকপু শৌগৎপ-শিংগা লোয়ননা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি।

চহী অহুম মীনম্বা অমসুং মীগী মীংচৎ থিহনবা অরানবা ৱাফম কয়া ঙাঙন-শরুকখিবা মতুংদা মীখলদা রসিয়ানা ইথিল পীখি হায়বা নমথাক অসি হৌজিক্তি থুপচিনখ্রে। মরম চাদনা লৌতুনবগী মরাল শিরকখিবা কয়াদু হৌজিক্তি লোইরে হায়না ট্রম্পনা গ্রান্দ রেপিদস এরিনাদা তিনখিবা মীওই লিশিং কয়াদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৬ কী য়ু এসকী মীখলদা রসিয়ানা থোইদোকপা থৌদাং অমা লৌখি হায়বা ৱাফমগী মতাংদা স্পেসল কাওন্সিল রোবার্ট মিল্লরনা থিজিনখিবগী লমায় ৩০০ হেন্না পনবা রিপোর্টকী সম্মরি অমা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ু এসকী এটোর্নি জেনরেল ৱিলিয়মবারনা রিলিজ তৌখি। ইনভেষ্টিগেসন অদুদা ট্রম্পকী কেম্পেননা মীখলদা রসিয়াগা লৌতুনখি হায়বসিগী মতি চাবা ইনভিদেন্স ফংবা ঙমখিদে।